# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-09-2026)**

**মেসেজ(এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎ জনমস্তমিগী থৌরম পাঙথোকরি।

রাজ্য অসিদসু জনমস্তমিগী থৌরম পাঙথোকবগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দাজি অমদি ইস্কোন মন্দির য়াওনা মরুওইবা ভগবান কৃষ্ণনগী মন্দিরশিংদা ভক্তা কয়ানা লাই খুরুম্বা লাকরি। ধর্ম্মগী ওইবা লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা জনমস্তমি থৌরমগা মরী লৈননা লাই খুরুম্বা লাক্লিবা মীয়ামবু তেক্ত কায়দনবগীদমক রাজ্যগী পুলিসনা মফম কয়াদা ঙাক শেনবগী থবকসু পায়খৎপা উরি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমসং মুখ্য মন্ত্রি-যুম াম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালনা পীরকপা পাউজেলদা হায়-ভগবান কৃষ্ণননা তাকপীরম্বা ফজরবা ৱাখল্লোন কয়া ভগবত গীতাদা য়াওরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা শান্তি, অপুনবগী শক্তম, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমসুং মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না পোকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনগী ৱাখল লৌশিং চাউবা, নুংশিবা অমসুং অচুম্বগী ৱাখল্লোনশিং নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। জনমস্তমিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈমীন্নরিবা কাংলুপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো,গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরত, াএম.এল.এশিং-কে. রোবিন্দ্রো, থৌনাওজম বসন্তকুমার, টি. রোবিন্দ্রোনসু জনমস্তমিনা লাকপদা মনিপুরগী

মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**ভাবন(এল)ঃ** মনিপুরগী হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিনগাংলু গাংমৈনা লুচিংবা চীংগী এম.এল.এশিংগা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালাগা উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা এম.এল.এ. কিমনিও হাওকিপ হংসি, এম.এল.এ. রাম মুইভা, হাওখোলেট কিপগেন, লৈশিও কৈশিং, অৱাংবৌ ন্যুমাই, খাশিম ভাশুম অমসুং জমহেংলুং পামৈ শরুক য়াখি। উন্নবা অদুদা চীংগী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী অপাম্বা অমদি জিলাশিং অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

**বোম(এল)ঃ** কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা-কে. মেঘাচন্দ্রগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবশিংনা বোম পোকখায়হল্লম্লে।

থৌদোক অদুবু মীয়ামনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা কনানা করি মরমগী অসিগুম্বা থৌদোক থোকহনখিবনো হায়বদু শেংদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ মিনিট ১৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা মশক খঙদবা মীওই অমনা শ্রী মেঘাচন্দ্রগী য়ুমগী গেট মনাক্তা বোম অদু লংশিনদুনা পোকখায়হল্লমখিবনি হায়রি। বোম পোকখায়বগী পাউ হেক ফংবগা পুলিসকী কাংবু লাক্তুনা য়েংশিনখি হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথরি হায়রি। মফম

১০০ গী মথক্তা চেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবকসু লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোনা খাবম লমখাইদগী ময়াই কাবা নিশা লল্লোনবনি হায়বা মীওহ অনি ফারে। মখোয় অনিদগী নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা কোদাইন য়াওবা কোন্ত্রাবেন বোট্টল ১৯০ ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদু সেনাপতি জিলাগী মরামদগী লুপা লিশিং ৫০ দা লৌরগা লুপা লাখ অমদা য়োন্নবা হোৎনরম্বদগী কম্মান্দো কাংবু অদুনা ফাখিবনি হায়রি। মীওই অনি অদুনা তোংলকপা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমগা লোয়ননা মোবাইল ফোন অনিসু ফাগৎলে হায়রি।

**জেএফদি(এল)ঃ** কেম্পেইন ফোর জস্ত এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসন (জে.এফ.দি) গী মীৎয়েং মখাদা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা মনিপুরদা এন.আর.সি. চৎনহনগদবনি হায়বা দাবীদা ব্রাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

খুয়াথোংদা চত্থবা ব্রাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অহিং মফম অদুদা অহিং য়ারেকখি। মখা তানা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি. অপদেদ তৌনবগী চপ চাবা ব্রাফম অমা খঙদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চংশিনখিগনি হায়রি।

**বিল ঃ** ফোরেন কন্ত্রিব্যুসন রিগুলেসন এমেন্দমেন্ট (এফ.সি.আর.এ) বিল-২০২৬ কা মরী লৈননা কেন্দ্র সরকারনা মীওই ৩১ না শাবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতি অমা শেমখ্রে।

লোক সভাগী সদস্য-সঞ্জয় জেসৱালনা লুচিংবা কমিতি অদুনা এফ.সি.আর.এ. বিল য়াওরিবা ৱাফমশিং কুপা য়েংশিনগনি। কমিতি অদুদা য়াওবা মীওইশিংগী মনুংদা লোক সভাগী ওইনা ভরত্রুহরি মহেতাব, তেজশ্বি সুরিয়া, নিশিকান্ত দুবে, এ. রাজা অমদি সুপ্রিয়া সুলেনচিংবা য়াওরি। রাজ্য

সভাদগীনা হরস বরধন শ্রিঙলা, সঞ্জয় কুমার ঝা, প্রফুল পতেল অমনি মেনাকা গুরু শ্বামী য়াওরি।

ফোরন কন্ত্রিব্যুসন রিগুলেসন এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৬ অসি হৌখিবা আগষ্ট ১২ দা সংসদকী সভা অনিমকা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিদা মখা তানা খন্ননবা খঙহনখিবনি। বিল অসিনা ফোরেন কন্ত্রিব্যুসন রিগুলেসন এক্ট-২০১০ বু শেমদোক্তুনা মপান লৈবাক্তগী ভারত্তা পীরকপা মতেংশিং কাংলোন চুমা পীরক্লিব্রা হায়বদু য়েংশিনবা ঙল্লগনি।

**ইসরো ঃ** ভারতকী অহানবা জিও সিনক্রোনস ওর্বিটকী ইমেজিং সেটিলাইট ঙসি অয়ুক মায় পাকা থাগৎখ্রে।

জি.এস.এল.ভি-রোকেট শিজিন্নদুনা সেটিলাইট অদু উরিষ্যাগী শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছাতিস থাৱন স্পেস সেন্টরদগী ঙসি অয়ুক পুং ২ মিনিট ৫৫ দা থাগৎখি।

ইসরোগী মতুং ইন্না মতমগা চুন্নরবা পৃথিবীগী মতাংদা থিজিনগদৌরিবা স্পেসক্রাফট ই.ও.এস. জিরো ফাইব অদু থাগৎখ্রবা মতুং মিনিট ১৮ গী মতুংদা সব জিও সিনক্রোনস ওর্বিটতা থম্বা ঙমখি। সেটিলাইট অসিনা খুদক্কী ওইবা ইমেজশিং পীরক্তুনা পৃথিবীগী তোঙান তোঙানবা মশকশিং রিয়েল টাইম ইমজরি ওইনা পীরক্তুনা লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী থবকশিংদা কান্নবা পীবতা নত্তনা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিগদবশিংদগী চেকশিলহৌনবা খুদোংচাবশিং পীগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

হৌজিক চথরিবা ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী ৮ শুবা মীফমগা মরী লৈনবা পাউশিং, ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা

লামাইদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং পীদুনা ফোংনরি।

লৈলোন ৱাইফৈগীনা চেন্নবা মরি, ত্রোংলাউবীগীনা অমা ফারে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা বেন্নর হেদলাইন পীরি। ইরাং মনুংদা মাংখ্রগা মশা ফংদনা লৈরিবশিং চহি তরেৎ ঙায়দ্রবসু ফংহনফম থোকপশিং অথুবদা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না বেন্নর হেদলাইন অসিগী সব হেদলাইন পীরি।

কে.এন.এফ. (পি) লুচিংবা অমদি নেমচাগী মথক্তা এন.আই.এনা এক্সন লৌখৎহন্নিংবগী অপান্বা এম.এল.এ. রঞ্জিৎনা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইননি।

পোলিটিকেলগী খেৎনবা থমদনা পুন্না চাউখৎমীন্নবা ঙমবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদনা ফাইনন্সিয়েল মেনেজমেন্ট হৈতবগী মমি তাই হায়না ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি লোকেল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোক্তবনা লুপা ক্রোর ৬২৮ গা লাখ ৫০ হনখ্রে হায়না মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা দিলিমিটেসনগী প্রোসেসনা মীখল য়েথোকপনি। অথুবা মতমদা পাঙথোকবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা পীখিবা পাউখুম অসি ফোংবা থেংনরে। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা লৈঙাকা কন্ট্রেক্তা থবক লৌরগা রিগুলর তানবগী ৱানোম্বা চেন্নবগী মওং অসি তৌহল্লগুমসি হায়না ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংলক্লি।

এ.দি.সি. অমদি পঞ্চায়টকী ইলেক্সন পাঙথোকবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম-মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল অমদি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সাইকুল এম.এল.এ. কেমিও হঙশিংনা মহাক্কী কেন্দ্র য়াওনা কাংপোকপী

জিলাদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী মতাংদা মীৎয়েং চংবীনবা ৱাফম পুখৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইননি।

ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাাতিগী সার্ভিস হৌখ্রবা মতুং মোরে লন্বীসু হাংলগনি। আই.দি.পি. লিশিং ৬০ রোম লৈরম্বগী মনুংদা লিশিং ৩৬ রোম মশা মশাগী য়ুমদা লৈহনখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম-সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। নেমচা কিপগেনগী মথক্তা এক্সন লৌখৎত্রবদি লৈঙাক্তা শৌগৎলক্তবসু য়াই হায়না লোশি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন পীদ্না ফোংলি।